**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-09-2025)**

**হৈক্রু (এল)ঃ** হৈক্রু হিদোংবগী ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা মনিপুরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম বিজয় গোবিন্দ সেভায়ত কমিতি-শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ-ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দগী থঙাপাৎতা হিয়াং তান্নবগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

হৈক্রু হিদোংবা থৌরমগী মতাংদা বিজয় গোবিন্দ সেভায়ত কমিতিগী জেনরেল সেক্রেটরি-আর.কে. অকেস্নানা হায়-হৈক্রু হিদোংবগী কুম্মৈ অসি চহি খুদিংগী লাংবন থাগী ১১ নি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকি। কুমশি পাঙথোক্লিবা অসিনা ২৪৭ শুবা হৈক্রু হিদোংবগী থৌরমনি। মহাকা হায়-থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, লমদম অসিদা ইং তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা, ৱাৎত-পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা নিংথৌ হাক্তগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা শ্রীশ্রী গোবিন্দদগী বিষ্ণু লেংলক্তুনা হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম হৌদোকই।

ঙসিগী শগোলবন্দ বিজয় গোন্দিজিদা হিয়াং তান্নবগী থৌরমদা তেংমাই লেপখিবশিং অদুদি-মখা থংবা শরুক্তা শগোলবন্দ অমুদোন অখাম লৈকাইদগী-হিদংময়ুম রনবির শর্ম্মা অমসুং অৱাং থংবদা তেংমাই লেপখিবা অদুনা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী হৈক্রুম লমজিংবনি।

হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম ককচিং জিলাগী ইবুধৌ সেংমাই নিংথৌ থৌগল্লুপনা শিনদুনা সেকমাই তুরেলদা হিয়াং তান্নবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লোক সভা সদস্য-ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম শরুক য়াখি। ঙসিগী হিয়াং তান্নবা অদুদা লংসাই থৌনা অমসুং ককচিং কলাই লুপ অনিনা

হিয়াং তান্নখি।

১১ শুবা হৈক্রু হিদোংবা, হিয়াং তান্নবা, ইমা ইমোইনু থৌগল থৌশিল কাংলুপ-কংলৈপাকনা শিনদুনা লমলাই সলামপাৎতা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম, এম.এল.এ. থোকচোম লোকেশ্বর সিংহ, ওক্রম সুরজাকুমার সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-পোপুলর গভরমেন্ট অমা লৈবা হায়বসি মীয়ামখক্তগী নত্তনা দল অসিগীসু অপাম্বনি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-কে. সরতকুমারনা হায়-রাজ্য অসিদা বি.জে.পিগী সাসন লৈবা হায়বসি দল অসিখক্তা নত্তনা দল অসিগী এম.এল.এশিংগীসু অপাম্বনি। মহাকা হায়-অথুবা মতমদা সরকার শেম্বগী ওইথোক্লবা য়াই। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালদা লাক্কদ্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী সরত কুমারনা হায়-হৌজিক ফাওবদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, ইম্ফাল লাক্কনি হায়বগী চপ চাবা পাউ দলদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি ইম্ফালদা লাকপা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি অমসুং রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈরবদি মতম অমদা হেক্তা সরকার শেম্বগী ওইথোকপা লৈ।

শ্রী সরতকুমারনা হায়-কনাগুম্বা মীওই খরনা হন্দক সোসিএল মেদিয়াদা দলগী মথক্তা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা এফ.আই.আর. অমা থাংগৎখ্রে। মসিগী মথক্তা হন্দক্তা বিহারদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লৈখিদ্রবা অপোকপী মমাগী মতাংদা রাজনিতি দল অমগী মীওইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদসু এফ.আই.আর. থাংগৎখ্রে।

**ককচিং(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রাইজেস স্কিমগী মখাদা বিনিফিসরি ৩২ দা ককচিংগী দিপ্যুতি কমিস্নার-রোহিত অনন্দনা চ্যেক খুৎশিন্নখ্রে।

দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেনস হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চ্যেক মনাশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা শ্রী রোহিত অনন্দনা হায়-মনিপুর পুন্না চাউখৎকে হায়রবদি অপিক অপিকপা করবারশিং অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিং চাউখৎহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-অপিকপা করবারশিং চাউখৎহনবা হায়বসি রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। স্কিম অসিগী মখাদা লৈরিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা দিপ্যুতি কমিস্নারনা হায়-দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমসুং ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন হেন্না শেমগৎতুনা জিলা অসিগী নুপীশিংনা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা সরকারগী, এদেদ অমসুং লন্নাই ওফিসশিংগী নোদেল ওফিসারশিংগী ওইবা ইন্টরনেল কমিতিগী নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী কোন্সিরৈ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা মনিপুর ষ্টেট কমিসন ফোর ৱিমেননা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর ষ্টেট কমিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-শ্রীমতি থুমলিপ তিংনিংফম মোনশাংনা হায়-মনিপুর ষ্টেট কমিসন ফোর ৱিমেন লিংখৎখিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, থবক তৌফমশিংদা নুপীশিংবু নমজা নমথেক তৌবা থিংনবা অমদি নুপীশিংদা শক্তি পীনবগীদমক্তনি। মহাকা হায়-নুপীশিংনা য়ারিবমখৈ মখোয় মখোয়গী হকশিং খঙনবা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা করম্বা মরি লৈনবা বিভাগশিংদা চৎতুনা মখোয়গী খুদোংচাদবশিং মতম চানা ৱাকৎকদগে হায়বদুসু খঙনবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা কম্মিসনগী ৱেব সাইট চংদুনা হেন্না অকুপ্পা মরোল খঙননবা মহাকা ফোংদোকখি।

**নোং (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না-হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই। কাংপোকপী, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা অখাক অরাও থোক্কনি।

রাজ্যগী ইনভারোইনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা নুমিৎ খুদিংগী থোকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, ঙসি তেংনৌপল জিলাদা মিলিমিটর ৬.৮ গী চাংদা নোং চুখি। নোনে অমসুং কাংপোকপী জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩২.৬২ অমসুং ৩২.৬১ ওইখি। বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩১ গী মথক্তা ওইখি।

**গুরু কুলা (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়রি-রাজ্য অসিগী নহাশিংদা লৈরিবা কলা সংস্কৃত্তিগী হৈ-শিংবশিং মপুং ফানা উৎথোকপা ঙমহন্নবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। ৱাফম অসি গুরুকুলা কলচরেল একাডমীগী ১৭ শুবা কুমওন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-রাজ্য অসিগী নহাশিংদা য়াওরিবা কালা সংস্কৃত্তিগী ওইবা হৈ-শিংবশিং অসি মপুং ফানা উৎথোকবা হোৎনবদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদগা মতেং লৌবা তঙাইফদে। মদুদা, পাংবা য়াবা মতেং লৈরবদি হায়বীরকউ, অঙম্বা মতেং

পাংগনি হায়খি।

অমরোমদা, গুরু কুলা কলচরেল একাডমীনা কালা সংস্কৃত্তিগী লমদা লৌদুনা লাক্লিবা থৌদাংবু শ্রী সৈত্যবরতানা শিংথাখিবগা লোয়ননা মখা তানা রাজ্য অসিগী কালা সংস্কৃত্তিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা গুরু কুলা মেমোরিএল এৱার্ড ২০২৫-শকাইরবা পুঙগী গুরু-নামৈরাকপম মংলেম বাবু সিংহ্ অমদি ঈশৈগী গুরু-য়ুম াম শামু সিংহদা পীখি। থৌরমগী মনং চন্না 'শ্রীধাম কেকু ফোংবা' হায়না মিংথোনবা দান্স দ্রামা অমসু উৎখি।

**ভেটিরিনারি (এল)ঃ** ফুদ এন্দ মাউথ দিজিজ তিকা থাদোকপগী তরুকশুবা রাউন্দ মনিপুরদা হয়েং হৌদোক্লগনি।

রাজ্যগী ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হয়েংদগী হৌগদৌরিবা তিকা থাদোকপগী থৌরম অসিদা শা-ষন লোইরিবশিংনা ফুদ এন্দ মাউথ দিজিজতগী ঙাকথোকবা লেমা তিকা থাবগী খুদোংচাবা অসি লৌবিহৌ।

ইং ২০৩০ ফাওবদা লায়না অসি পুংমুৎ মুথৎনবা অমসুং ২০২৫ ফাওবদা লায়না অসি লাকশিন্নবা পান্দমদা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপনি।

**তেংনৌপল (এল)ঃ** সিতা গভরমেন্ট হায়স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা খঙহৌদনা অনা-অয়েক য়াওরকখিবা অদুগী মতাংদা স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিবলপমেন্ট কমিতি অমসুং সি.এস.ওশিংনা ৱাকৎলকপদগী জিলা অদুগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: পি. আংখোং রোংমৈনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা সিতা খুলদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুদা অসাম রাইফলসকী ডাক্তর অমা য়াওনা ডাক্তর তরুক, নর্স অমা, ফারমাসি অমা লেব টেকিসিয়ান অমা অমসুং এটেন্দেন্ট অমা লোয়নখি।

মীহুৎ কাংবু অদুনা স্কুল অদুদা তল্লিবা মহৈরোই ১৫৩ য়েংবদা লায়ওং অদু ভাইরেল ফিভরনি হায়বা খঙলে। মরুওইনা রেসপিরেটোরি ত্রেক্তা ইনফেক্সন থোকপদগীনি হায়রি। মহৈরোইশিং অদু নীংথিজনা লায়েংলবা মতুং হৌজিমক্কী ওইনা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

মেদিকেল টিম অদুনা মফম অদুদা ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমসুং খুঞ্জাশিংবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা তাইফৎ অমসুং মেলেরিয়াগী রেপিদ টেষ্টসু পাঙথোকখি। অদুমওইনমক, পোজিটিব ওইবা কেসতি অমত্তা থেংনখিদে।

**হেপটাইটিস (এল)ঃ** নেসনেল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং জিলা অসিগী নেসনেল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ত্রোল প্রোগ্রামনা শিন্দুনা মালেমগী হেপটাইটিস নুমিৎ-২০২৫ ঙসি জিলা অসিগী লৈশাংথেম কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

হেপটাইটিস মুথুৎলসি হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী চেয়ারমেন, দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। মহাকা হায়-ঐখোয় মীয়ামনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী লায়না লায়ওংশিং অসি মতম চানা লায়েং চথহৌরবদি লায়নাশিং অদুদগী নাম্থোকপা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাক অমদি চাবা থকপগী মওং মতৌদা শেমদোক্কুনা পুন্সি শাংনা, হকচাং ফনা থমবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি. ৱাংজিং তেন্থা মন্দলনা শিনদুনা বুথ লেবেল এজেন্টশিংগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা মন্দল অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-কে.

সরতকুমার, বি.জে.পি. থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট-ৱাই. কুমারজিৎ অমদি দল অসিগী ৱাংজিং-তেন্থাগী প্রসিদেন্ট-ও. সুনিল শরুক য়াখি।

**মীফম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইস্কুল কেন্দ্রগী মনুং চনবা ব্রহ্মপুর ভৈগ্যপতি লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসারনা শিনদুনা এফ.সি.এস. এজেন্টশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, নফসা অমদি কিষান ক্রেদিট কার্ডকী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহন্নবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেপ এন্দ পি.দি. ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার-কাংঙুজম ধঞ্জয় সিংহনা হায়-কেন্দ্র সরকারগী মরী লৈনবা মন্ত্রালয়না পীরকপা পাউতাক মতুং ইন্না নফসা অমসুং কিষান ক্রেদিট কার্ড পায়বা য়াদবা মীওই কয়া কার্ড অসি পায়দুনা খুদোংচাবা লৌরন্বা অসি য়েংশিন্নবা খঙহল্লকপদগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**কমিতি (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতি ফোর রেজিং এন্দ এক্সরেরেটিং (আর.এ.এম.পি), এম.এস.এম.ই. প্রার্ফোমেন্সনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রামগা লোয়ননা উদিয়ম রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইব অমা ঙসি চান্দেলগী চকপীকারোং ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা তমপী খুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মীওইশিংদা অখঙ অহৈশিংনা এম.এস.এম.ই. অমদি আর.এ.এম.পি. স্কিমগী মতাংদা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা তামপী ভিলেজকী চীফ য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

**জিএসটি ঃ** গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) কাউন্সিলগী ৫৬ শুবা মীফম ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম অসি কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপনি। মীফম অসিদা জি.এস.টি. শেমদোকবা, টেক্স রেট রেস্নেলাইজেসন তৌবগী ৱাফমশিং খন্নরবা য়াই।

কেন্দ্রগী শেল থুমগী রাজ্য মন্ত্রি-পঙ্কজ চৌধুরি, দিল্লি, গৱা, হরিয়ানা, জম্মু কাশ্মির, মেঘালায়া অমসুং উরিষ্যাগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, অরুনাচল প্রদেস, বিহার, মধ্য প্রদেস অমসুং তেলঙ্গানাগী উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং অমদি মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী শেল থুম মন্ত্রিশিং মীফম অসিদা শরুক য়ারি।

**পিএমঃ** ন্যু দিল্লিগী য়েসো ভুমিদা পাঙথোক্লিবা সেমিকোন ইন্দিয়া-২০২৫ কী সি.ই.ও. রাউন্দ টেবল মীফমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়ারি।

সি.ই.ও. রাউন্দ টেবল অসিদা মালেমগী ইন্দষ্ট্রিগী লুচিংবশিং অমত্তা ওইনা পুল্লি।

সেমিকোন ইন্দিয়াগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা সেমি কন্দক্টরগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবশিংগা ৱারী শান্নখি। সেমি কন্দক্টরগা মরী লৈনবা প্রোজেক্ট অমসুং পোৎথোকশিং উৎপা ইগজিবিসন অমসু প্রধান মন্ত্রিনা য়েংশিনখি। থৌরম অদুদা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনো শরুক য়াখি।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা সেমিকোন ইন্দিয়া ২০২৫, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং হৌদোকখিবনি। মীফম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মালেমগী ওইনা সেমি কন্দক্ট সপ্লাই চেনদা ভারতপু থাজবা মপাং অমা ওইহনবা হায়বসিনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা চথরিবা দি.সি. চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পনচাই এস.সি.সিনা জার্ফৌ

বজার ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-কপাম দি.সিনা লমবুং ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। লোয়ননা ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতা-জিয়োন্টলাং এস.ৱাই.সিনা খোংজোন ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৩০ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাভাই ট্রোফি-২০২৫-২৬ তা শরুক য়ানবা মনিপুরগী সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল টিম শেমবা ট্রাইয়েল কম কোচিংগীদমক শান্নরোস ১০০ গী মিং ঙসি ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না লাউথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অদু থা অসিগী মঙাগী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা লাক্কদবনি হায়রি।

**যোগাঃ** মহারাস্ত্রগী নাগপুরদা পাঙথোকখিবা ৩৭ শুবা নেসনেল যোগস্না চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মনিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। হৌখিবা আগষ্ট ২৯ দগী ৩১ ফাওবা ওল ইন্দিয়া যোগ কলচর ফেদরেসননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অদুদা মনিপুর টিমনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ৮ অমসুং শেঞ্জেংগী তরুক পুন্না মেদল ২৪ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন লৌরকখিবনি। শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিএলশিং ঙসি ইম্ফাল য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মীয়ামনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

**হোকিঃ** এসিয়া কপ হোকিগীদমক ভারত, চাইনা, মালেসিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া সুপর ফোর রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরে। বিহারগী রাজগীরদা এসিয়া কপ হোকিগী সুপর ফোর ষ্টেজ মেটচশিং ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।

হৌজিক ভারতকা সাউথ কোরিয়াগা শান্নরি।